ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 2, Issue 040 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, ইঙেলগী হুমনি পানবা, ইরাই, জুলাই ১৭,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–


## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ থা অসিগী ১৪দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলগী মহৈরোই ওইরম্বী শগোলশেম দয়ালক্ষ্মিগী মফমদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## চৈবী চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা চৈবী মশান্না অসিবু মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা চাউখৎননবগী পান্দমদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসন অমদি কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন অনীনা পূন্না শীন্দুনা ফার্ষ্ট ইনভাইটেসন নেস্নেল চৈবী চেম্পিয়নশিপ লাক্লিবা ওক্টেবর ৯দগী ওক্টোবর ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা নুপী পূন্না সব–জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়র কেটাগোরি অহুমদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৭না শরুক যাদুনা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিদা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৬ অমসুং ১৭ তা মণিপুরগী টিম খন্ননবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিদা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা থাঙ তাগী স্কুল, ক্লব অমদি এসোসিয়েসনশিংনা অথুবা মতমদা অমকা অমদি কে এস এগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## মায়থিবা পীগদবনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ ইকোনোমিক ব্লোকেদ খক্তনা কুকিশিংবু মায়থীবা পীগদবনি। কুকিদা পোৎ পীবশিং য়েলহৌমীগী য়েক্লবনি হায়না ফেদরেসন ওফ হাউমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা যাদুমণিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুকিনা চত্থরক্লিবা লান অসিদা খূৎলায় পায়জদবা য়েলহৌমীশিংনা থেংনগদবা লানগী লাল্লোংদি নোংমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক পুশিনহন্দবনি। নাগা অমদি মৈতৈশিংনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ পূন্না চত্থদুনা কুকিশিংবু মায়থীবা পীগদবনি। চহী ৩ হেন্না নেস্নেল হায়ৱে অনীমক্ত য়েলহৌমীশিংবু চৎপদা অথিংবা পীদুনা লাক্লি। তঙাইফদনা নোংথক লন্বীদা শেল তিংনা চৎহন্দুনা য়েলহৌমীশিংবু ওৎলি হায়বা খঙলবসু লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা কুকিগী মীচঙ চঙলি। মতম খরা খক ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা মীহাৎপশিং পুথোকউ অমদি অচূম্বা ৱায়েল ফৎহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিল্লুবা মতমদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ব্লোকেদ হন্দোক্লবা অকনবা থল্লিবসি লূপ অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়রি।

## হয়েংগী নোংদম

১৮। ০৭। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা মায় পাকপা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু খৎন– চৈনবা থোকহনগনু।

বৃষ – ইমুং মনুং ইংনা চিক্লা লৈমিন্নবা ফংগনি। ৱাখল মুন্না খল্লগা শেল থাদৌ।

মিথুন– শেল য়ান্না চাদিং তৌগে খনগনু। থবক তৌনবগীদমক ৱা ঙাংবদা হে শিংবু ফৈ।

কর্কট– নহাক্কী হকশেলগী মরমদা পূক্লিং চংঙু। নিংথিনা পোত্থবা চঙই। নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।

সিংহ– লল্লোন ইতিক্কী মরমদা শেন্দোং ফংবগী খূদোংচাবা লৈ। থবক তৌবদা হেঞ্জিনগনু।

কন্যা– থবক তৌরিবা অমসুং মহৈরোইশিংগী মায় পাকপগী অফবা নুমিৎনি। ইংথনা লৈয়ু।

তুলা– পূকচেল শেংনা মরুপ মপাংশিং লোইনরগদি ফংগনি। ঙসিদি য়ান্না চেকশিল্লু।

বৃশ্চিক– থবক কন্না শু নোঙ্গী মহয় ফংগনি। অদুবু পূক্লিংগী ঈহুলদা ৱারেপ লৌবা য়াদে।

ধনু– লম–তু চৎপা অফবা নুমিৎনি। অনৌবা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবা য়াগনি।

মকর– ইমুং মনুং মহী লাংবা, কোক শাবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা য়াবা নুমিৎনি।


কুম্ভ– ইথন্তা থবক তৌগে হায়না খনগনু। ময়াম পূন্না থবক তৌমিন্নৌ। ইশুশিং লোইশিল্লু।

মীন – নহাক্কী থবক মফম ফগৎননবা অনৌবা ৱাখল পুথোকউ। পূক্লিং পোত্থারগদি চাউখৎকনি।

# ঙাকিজৌ মরূম কোকহন্দুনা মশিং য়াম্না পুথোক্লবা থৌরাং তৌরিঃ ফুলেন

### মণিপুরদা য়োকপা সরেং কেজি লিশিং ৭ পুথোকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুরগী য়েলহৌ ঙাশিং য়োকখৎতুনা থম্বগা লোয়ননা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ঙা য়োকপগী থৌরাং পায়খৎতুনা ষ্টেট অসিগী ঙামীশিংগী শেন্থোক হেঙ্গৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা 'মিট দি প্রেস'কী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। দি আই পি আরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দাইরেক্ট হেমচন্দ্র এন, এফ আই। এফ আর সি সাপম জিতেন সিংহ, ফিসরিজ ইন্সপেক্টর অদিম গাংমৈ, ফিশরিজ ওফিসার সুকুমার সিংহ অমদি ফিশরিজ ইন্সপেক্টর এন মকুচুংসু শরুক য়াখি।

ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা লৌখৎপা মরু ওইবা থৌরাংশিংগী মতাংদা টি ফুলেন মৈতৈনা হায়, লমদম অসিগী য়াম্না মরু ওইবা য়েলহৌ ঙা মখল অমা ওইরিবা ঙাকিজৌ, সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা মরূম কোকহন্দুনা মশিং য়াম্না পুথোক্লবগী পান্দমদা আই সি এ আর– সেন্ত্রেল ইন্সটিটুট ফিশরিজ এদুকেসন মুম্বাইগা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনরে। থৌরাং অসিগী মখাদা ঙামীশিং নিংথিনা ত্রেনিং পীদুনা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ঙা মখল পূম্নমক য়োকখৎনবা থৌরাং তৌরি।

ঙাশিংগী পূন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা ফুলেন মৈতৈনা হায়, লোক্তাক লাইফলিহুদ মিসনগী মখাদা দিপার্টমেন্ট অসিনা লোক্তাক পাৎকী পরিং ওইরিবা নরানসেনাদা কেজকলচর বেট্টরি ২ অমসুং তেন কলচর গ্রো–আউট য়ুনিট অমা শেমগৎলে। তাকমু পাৎ, থাঙ্গা, তৌবুল গ্রাম পঞ্চায়েট অমদি লোক্তাক পাৎকী অকোয়বা মফমশিংদা কেজ কলচর বেট্টরি ৫৫ অমসুং তেন কলচর গ্রো আউট য়ুনিট ৩৫ ইন্সটোল তৌরে। মসিনা ঙাগী পোথোক হেঙ্গৎহনবগা লোয়ননা পাৎকী অকোয়বদা খূন্দারিবা মীওইশিংগী পূন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙল্লে।

কুমজা ২০২১গী জুলাই ১০দা নেস্নেল ফিশ ফার্মর দেগা মরী লৈননা পায়খৎখিবা সরেং রিভাইবেল প্রোজেক্টকী মতাংদা মহাক্না হায়, লৈঙাক্লা অচঙবা শেনফম চাদা ৫০ পুথোক্লগা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লমদম অসিগী য়েলহৌ সরেং মায় পাক্লা পুথোকপা ঙল্লে। কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবা মেলাদা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা অহানবা ওইনা য়েলহৌ সরেং এক্কারিয়মদা হাপ্লগা মীয়ামদা উহনখি।কুমজা ২০২২দা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা সরেং য়োক্লগা ইমোইনু ফিশ মেলাদা সরেং কেজি ২,৬০০ অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবা মেলাদনা কেজি ২,৪০০ পুথোকপা ঙমখি। কুমজা ২০২৫কী নিংঙোল চাক্কৌবা মেলাদদি সরেং কেজি লিশিং ৭ হেন্না পুথোকপা ঙমখি।

### মণিপুর, নাগালেন্দদা এম্বুস তৌরকখ্রবা তুংদা লৌখৎপা থৌরাং–

# সি আর পি এফকী পার্সনেলশিং বুল্লেট প্রুফ আর্মর খক্তদা চৎননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা খূৎলায় পায়বশিংনা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংদা এটেক চত্থরকখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা মথৌ তৌরিবা সি আর পি এফকী য়ুনিট পূম্নমক বুল্লেট প্রুফ আর্মর ভেহিকল খক্তদা চৎথোক চৎশিন তৌনবা খঙহনখ্রে।




ওফিসিয়েল সোর্স পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হয়, সি আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা ষ্টেট অসিগী খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা বুল্লেট প্রুভ গাড়ী শীজিন্নগদবনি। করিগুম্বা মফম অমদা চৎকন্দবা লৈরবদি মাঙজৌননা থৌরাং তৌগদবনি। পার্সনেলশিং খূদোংথিবা নংহন্দনবগী পান্দমদা সেন্টরনা হৌখিবা থা ২ রোমগী মনুংদা মহিন্দ্র মার্ক্সমেন বুল্লেট প্রুভ গাড়ী ১০০ থারকখিবা লেখ্রে। হায়রিবা গাড়ীশিং অদু ছাতিসগরদা নেক্সাইদকী মায়োক্তা চত্থখিবা ওপরেসনদা শীজিন্নখিবা ঙাক্তনি। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা মে থাদা সি আর পি এফকী কম্মান্দর বাট্টালিয়ন ফোর রিজোল্যুট এক্সন ( কোব্রা) য়ুনিট ২ থারকখ্রবনি। সি আর পি এফকী জঙ্গল ৱারফেয়রদা নিংথিনা ত্রেনিং তৌরবা কোব্রাগী য়ুনিট অদুনা ময়াই থংবা ইন্দিয়াদা নেক্সলাইটকী ঈহৌ মপুং ফানা নমথখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা মণিপুরদা মথৌ তৌবা লাকখিবনি। ষ্টেট অসিদা থুংলখ্রবা কোব্রাগী য়ুনিটশিং অদু প্রি–ইন্দক্সন ত্রেনিং লোইখ্রবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা মথৌ তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

মখোয়গী মরু ওইবা থৌদাংদি কুকি, মৈতৈ অমসুং নাগা ফুরুপকী লোনা য়াদবা লূপশিংনা শেমগৎপা বঙ্করশিং অমাঙ–অতা থোকহনবগা লোয়ননা সেক্যুরিতি পার্সনেলশিংদগী লূট তৌখিবা খূৎলায় খোমগৎপনি। মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক অসাম রাইফলস থাদনা সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্স (সি এ পি এফ)কী কম্পেনি ৩০০ রোম তৌরি। ছাতিসগরদা নেক্সলাইটকী ঈহৌ মায় পাক্লা নমথখ্রবা মতুংদা কোব্রাগী য়ুনিটশিং অদু মণিপুরদা থাজিল্লকখিবনি।

সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, কোব্রাগী পার্সনেলশিং কুকিশিংনা নমনা খুন্দাবা চুড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট লোয়ননা নাগশিংনা তম্না খূন্দাবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মথৌ তৌহনবা হৌখ্রে। অনৌবা থৌরাং অমগী মখাদা সি আর পি এফকী য়ুনিটশিংনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মথৌ পাঙথোকপদা নুপী পার্সনেলশিং য়াওহল্লগনি হায়রি। ষ্টেট অসিদা ঈরাং থোরকপা মতমদা নুপীশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা সেক্যুরিতি ফোর্সেসকী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা পীবগী থৌওং তোয়না চত্থরকপদগী তঙাইফদনা নুপী পার্সনেলশিং মথৌ তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি। কুমজা ২০২৩ দগী মৈতৈ অমসুং কুকি ফুরুপকী মরক্তা খূৎ থোক্লদুনা লাকখ্রবা মতুংদা হৌজিক কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী মরক্তা উংখৎনরিবসি কোকহন্নবগী পান্দমদা কোব্রাগী অখন্নবা য়ুনিট অনী থারকখিবনি হায়রি।

—— মপাল্লমগী পাউ ——

## ইরানদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মিলিটরিনা এটেক চত্থবদা মীওই ৭ শিরে

টেহরান, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ য়ু এস মিলিটরিনা থোং ৩, ত্রেন ষ্টেসন অমা অমসুং এয়রপোর্ট অমা য়াওনা ইরানগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্থখিবা এটেক্তা মীওই ৭ শিরে। লমন খূম্বা ওইনা ইরান্নসু মিদ্দল ইষ্টতা লৈবা য়ু এসকা শম্নবা লৈবাকশিংগী মথক্তা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চত্থখি। খা থংবা ইরানগী সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা সিতিশিংদা য়ু এসনা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চত্থখি। য়ু এসকী এটেক অদুনা মরম ওইরগা অহবাস, কেসন, বুসেহর, দাষ্টি, বোষ্টান, সিরিক অমদি বন্দর–ই– লেঙ্গেনচিংবা সিতিশিংদা চাউনা অমাঙ অতা থোকখি। হোর্মোজগান প্রোভিন্সতা য়ু এসনা মরু য়াম্না মরু ওইবা রেলৱেগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চত্থরকখিবা এটেক্তা মীওই ৭ শিখি। ইরানসহরদনা এয়রপোর্টতা চত্থরকপা এটেক্তা চাউনা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মৈ ফংদবগী খূদোংচাদবা মায়োক্লখি। য়ু এস মিলিটরিগী সেন্ত্রেল কম্মান্দনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইরানগী য়াম্না মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়ামরুম অমাঙ অতা থোকহনবা ঙল্লে হায়রি।

## মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নুপামচা লৈখিদবগী ১৪শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ৱাহেংবম নুপামচা লৈখিদবগী ১৪শুবা কুমওন থৌরম মহাক্কী ময়ূম ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকায়দা লেট ৱাহেংবম নুপামচা মেমোরিয়েল ট্রষ্টৱাঙ্গোইনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা লমশাং এ সিগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেন, লেট ৱাহেংবম নুপামচা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট শ্রী ৱাহেংবম বসন্তা সিংহ, ৱাহেংবম নুপামচা ট্রষ্টকী দোনরসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর ওইনাম লুখোয়, সি পি আই(এম) মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম শান্ত, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী মণিপুরী দিপার্টমেন্টগী রিটয়ার্দ প্রোঃ ডা. থোকচোম ইবোহনবী, থম্বাল মরিক কোলেজকী প্রোঃ কে ঐচ গৌরচন্দ্র সিংহনা মথংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নুপামচাগী নীংশিং খূমদা লৈবা ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লবা মতুংদা ৱাহেংবম নুপামচাগী মরমদা ইবা সোভেনর অমসু ফোঙদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।থৌরম অদুদা লমশাং এসিগী এম এল এ সোরোকখায়বম রাজেন্না হায়, মণিপুর পাল্লম্বা চীফ মিনিষ্টর অমত্তনা নেস্নেল গেমস মণিপুরদা তৌবা ঙমদ্রবা গেমস অসি মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখি। মহাক অসি মণিপুরগী পোলিটিকেল হিষ্ট্রি লোইবা নাইরোইদবা মণিপুরগী লূচিংবা অমনি। মহাক্না মণিপুরী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনবদা মতম অদুদা ইশামকসু অচৌবা দায়ত্ব লৌখি ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী ওইরিবা তংদু লৈতাদ্রিবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন পীগদবনি হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ অমুকো, পোইরৈ লৈমরো, অমাৱোভা, কোহর অমদি এম এস এফকী মীৎয়েং মখাদা জোইন্ট এক্সন কো–ওর্দিনেসন কম্মিটি, জে এ সি সি, পাউমৈ কোলোনি দিভলমেন্ট ওথোরিতি, পাউমৈ কোলোনি মৈরা পায়বী, লাইফম খুন্নৌ মনিং লৈকায় ত্রাইবেল, কাইরং মখা লৈকায় মৈরা পায়বী, চীংমৈরোং কবুই ৱিমেন্স সোসাইটি, চীংমৈরোং ইমা পান্থোইবী মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা ঙসি চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা তংদু লৈতাদ্রিবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন পীগদবনি হায়বা দিমান্দদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হায়, ইন্দিয়াগী লাম্মীনা শেমগৎপা খূৎনেক্কী টেরোরিজমগী থৌওং চত্থদুনা মীচম মীয়ামগী লন–থুম মীহাৎ, মীপূন, য়ূম মৈ থাবনচিংবা কয়া চত্থরিবসি খূদক্তা লেপহল্লু হায়না ফোঙদোক্লখি।

২১শুবা চহীচা, মীওইবা খূন্নাইগী চাউখৎপগী মতৌনা খম থেংলবা মতম অসিদা পূন্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরিবা মরী অসিগী মায়োক্তা চত্থরকপা থৌওংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু নাচুংদনা য়েংদুনা লৈরি। তমথিরবা মতৌশিং অসি কনানা তৌরিবনো হায়বা ময়েক খঙদবা নত্তে। মশিং য়াল্লবা ইন্দিয়ান ফোর্সশিংনা খুরক হাংদনা লৈরিবা মফমশিংদা লৌউ–শিংউগী থবক পায়খৎপা ঙমদ্রে। মসি পূম্নমক্কী দায়ত্ব ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুগদবনি ফোঙদোকখি।

## হাইদ্রাবাদতা ক্রোর ১.১৮৫ রোমগী গঞ্জাগা কোন্ননা মীওই অনি ফারে

হায়দ্রবাদ, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ তেলঙ্গানা ইগলস ফোর্স অমসুং রচকোন্দা নার্কোটিক্স পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা নেস্নেল হায়ৱে–৬৫ হাইদ্রবাদ– বিজয়াৱাদাগী মফম অমদগী মীওই ২ লূপা ক্রোর ১.১৮৫ রোমগী গঞ্জাগা কোন্ননা ফারে। ওফিসিয়েলশিংনা হায়, অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা নেস্নেল হায়ৱেদা চেল্লিবা গাড়ীশিং চেক তৌবদা ট্রক অমদগী গঞ্জা কেজি ২৩৭ ফাবা ঙমখিবনি। মহারাস্ত্রগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থেৎপা ট্রক অদুবু থৌরক্লিবা রাজেশকুমার(৩৩) অমসুং মহাক্কা তোঙমিন্নরকপা অনিল রঙ্গনাথ বিচারে (৩৫)সু ফারে। নবি মুম্বাইদগী রাজেশ কৌবা মীওই অদুনা দ্রগ ট্রাফিক্করশিংগা পাউ ফাওনদুনা ওদিষাদগী মহারাস্ত্র ফাওবা ইতৎ তৎতনা গঞ্জা পুথোক পুশিন তৌবগী থবক তৌই হায়রি। ফারবা মীওই ২ অদুনা ওদিষাগী রাইয়াগাদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা গুনপুর ভিল্লেজ তম্না লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙ্গা বিজয়াৱাদাদগী গঞ্জা য়াওবা বোরা খাও ১০ ট্রক্তা হাপচিল্লগা পবিত্রকুমার সবার কৌবা মীওই অমদা পীনবগীদমক হায়ৱে অদুদা থৌরকখিবনি।

## এন ই ই টি–য়ুজি ২০২৬ দা জাবেদ হাসননা মণিপুরগী তোপ্পর ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা লৈবা কেমেষ্ট্রি ৱান ষ্টোপ সোলুসন হায়রিবা মেদিকেল কোচিং সেন্টর অসিগী মহৈরোই জাবেদ হাসননা এন ই ই টি–য়ুজি ২০২৬ একজামদা মণিপুরগী ওইনা ষ্টেট তোপ্পা ওইরকপদা কোচিং সেন্টর অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা অচম্বা খূদোল পীদুনা তরাম্না ওকখ্রে। ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুগা মরী লৈননা কেমিষ্ট্রি ৱান ষ্টোপ সোলুসনগী ফাউন্দর লাইশ্রম কৃষ্ণকান্তানা হায়, মমাঙ চহীদসু কোচিং সেন্টর অসিদগী ইরৱিন খুন্দ্রাকপমনা ষ্টেট টোপ্পর ওইবা ঙমখি। হন্দক চহীগী ওইনসু জাবেদ হাসন্না ষ্টেট টোপ্পর ওইরকপা ঙল্লকপা অসিনা কোচিং সেন্টর অসিনা অনীরক শুবা ওইনা এন ই ই টি–য়ু জি একজামদা চাউনা মায় পাকপা ঙল্লে। মহাক্না পূন্না মার্ক ৭২০গী মনুংদা ৬১০ ফংবা ঙমখিবসিনা ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিংদা ৭,১০৫গী মনুং চনবা ঙমখি। লোয়ননা জাবেদ হাসন্না ষ্টেট টোপ্পর ওইরবসু ওল ইন্দিয়াগী ক্লোটাদা য়াওগনি হায়খি।

## ক্রাফ্ট ভিল্লেজ মীয়ামদা শীন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ মোইরাং সেন্দ্র লম্বীগী পাৎলৌ লৈকায় অমসুং কোঞ্জেংবম লৈকায় অনীগী মরক্তা শাখিবা ক্রাফ্ট ভিল্লেজ ঙরাং লাইশোন–তিনশোনগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা মোইরাং এসিগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টোরেট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলগী ষ্টাফশিং য়াওনা ক্রাফ্ট ভিল্লেজতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম এল এ থোঙাম শান্তিনা হায়, মণিপুরগী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা ক্রাফ্ট ভিল্লেজ অসি মতম খরা মথৌ তৌদনা লৈরকখিবনি। অদুবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী টুরিজম সেক্টর চাউখৎনবগী পান্দমদা ক্রাফ্ট ভিল্লেজ অসি নৌনা অমুক হিঙ্গৎহনবনি। মফম অসিদা লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ওইবা ফজবা শক্তম নিংথিনা য়েংবা য়াবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ওইবা চিঙ্গাক কয়াগী চাফমসু নিংথিনা থল্লি। মসিনা লমকোয়বশিংগী পূক্লিং হেন্না চিংশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মণিপুরগী মীয়ামনসু মফম অসিদা লাক্তুনা লোক্তাক্কী ফজরবা শক্তম য়েংনবা অমদি ঐখোয়গী য়েলহৌ চিঙ্গাকশিং মহাও তাংবীয়ু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখি।

## ইন্টরনেস্নেল জষ্টিস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ এল এম এস লো কোলেজ ইম্ফালনা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ লিগেল ষ্টদিজকা খূৎশম্নদুনা 'ইন্টরনেস্নেল জষ্টিস দে ২০২৬' কী থৌরম ঙসি এল এম এস লো কোলেজকী মিনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদভোকেট জেনরেল লেনিন সিংহ হিজম, রিটয়ার্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ অরিবম নৌতুনেশ্বারি অমদি এল এম এস কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে প্রেমিলানা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। দি এম য়ুনিভর্সিটিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট কোলেজশিংগী প্রিন্সিপাল, কোলেজ অসিগী ফেকল্টি অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা 'ওনগোয়িং ক্রাইসিস ইন মণিপুর এন্দ প্রিভেলিং লো ওফ দি কন্ত্রি' হায়বা হীরমদা অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা মরিক চূম্বা ৱাফম কয়া থমখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল এম এস লো কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে প্রেমিলানা হায়, জষ্টিস হায়বসি করিনো হায়বা মীপূম খূদিংমক্লা খঙবা মথৌ তাই। মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা জষ্টিসকী মরমদা নিংথিনা খঙলবা মতু অতোপ্পা মীওইশিংদা মসিগী ৱাখল্লোন অসি শন্দোক্কদৌরিবনি হায়খি।

# হোর্নগী মখোলনা মীওই কয়া না তাথিবা ওইহল্লকপা য়াই

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ ( ৱায়েল কাতি)ঃ তোঙান তোঙানবা গাড়ীশিংনা অহৌবা মখোলগী হোর্ন তোয়না খোংবা মরম ওইরগা মীওই কয়া না তাথিবা ওইহল্লকপা য়াই হায়না নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর ওক্যুপেস্নেল সেফটি এন্দ হেল্ঠকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

দিসাইদেল ৮৫ তগী হেন্না মখোল মখোল তোয়না তারবদি নোইজ ইন্দিয়ুজ হিয়ারিং লোষ্ট ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা শেমখিবা সেন্ত্রেল মোটোর ভেহিকল রুল ১৯৮৮গী মতুং ইন্না গাড়ী খূদিংমক্তা পাল্লিবা হোর্নগী মখোল হৌবগী চাং অকক্লবা চাং অমদা লৈহনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লবসু অহৌবা মখোলগী হোর্ন পানবা গাড়ী মখল কয়া থৌনরক্লি। রুলগী মতুং ইন্না ইঞ্জিন পৱার কিলোৱাট ৭ ওইবা কাংখোং ২ কাংখোং ৩ অমসুং কাংখোং ৪ পানবা গাড়ীশিংদা কয়া য়াম্না হৌবা হোর্ন পানগদগে হায়বা ৱাফম য়াওরগসু মীওই অয়াম্বনা কাঙলোন অসি থৌশানদবগী ফীভম অমা লাক্লে।





নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর ওক্যুপেস্নেল সেফটি এন্দ হেল্ঠকী রিপোর্ট মতুং ইন্না পূং খরা খক দিসাইদেল ৮৫ দগী হেন্না হৌবা মখোল তারবদি নাকোংগী মনুং থংবা শরুক্তা য়াওবা তাবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই। মিনিট ১৪ খক দিসাইদেল ১০০ হৌবা মখোল তাবা অমসুং শুপ্পগী মিনিট ২ খক দিসাইদেল ১১০দগী হেন্না হৌবা মখোল তারবদি খূদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি। এন আই ঐচ এলগী রিপোর্টনা হায়, য়াম্না তোয়না দিসাইদেল ৯০দগী হেন্না হৌবা মখোল তাবনা নাকোংগী মনুং থংবা শরুক্তা লৈবা হেয়র সেলশিং অমাঙ অতা থোকহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা মতম চূপ্পগী ওইনা না তাথিবা মীশক ওইহল্লকপা য়াই।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা থম্মোয়গী লায়না অমসুং পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা খূদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপগী মতাংদনি। লম্বীদা অহৌবা হোর্নগী মখোল তোয়না তারবদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলক্তুনা ইদা য়াওবা কোলেষ্টরোলগী চাং হেঙ্গৎলকপদগী কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ ওইহল্লকপা য়াই। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদনা হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওই। অহৌবা মখোলনা অঙাংশিংগী দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈহল্লি। মপুং ফানা তূমহনবা য়াদে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থহল্লকই। লম্বী মপান্দা লৈবা অঙাংশিংদি অয়াম্বা মতমদা অহৌবা হোর্নগী মখোল তোয়না তাবনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বদা অপনবা থোকই। লাইরিক পাবদা পূক্লিং চঙবা ঙমদবগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায়সু হন্থরকই। হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি, কেতিকোলামিননচিংবা ষ্ট্রেস হোর্মোন মরাং কায়না থোকহন্দুনা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগ মতাংদনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়াগী মেত্রো পোলিটান সিতি অয়াম্বা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নোইজ পোলুসন থোকহনবা সিতি ওইরে। দিল্লিগী লম্বী খূদিংমক্তা হোর্ন খোংবা অমসুং নিল খোংবগী মখোলনা সিতিদা লৈরিবা মীওইশিংগী হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

## মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা ইপা–ইপুশিংগী লীক্লম কায়হন্দবা চঙইঃ রামেশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী ইপা–ইপুশিংনা চৎলম্বা লীক্লম কায়হন্দনা চৎপা মথৌ তাই হায়না কৈরাও এসিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শীন্দুনা ক্যামগৈদা লৈবা কোংবা মৈরোংবী তুরেলদা পাঙথোকপা তরা খায়োম লাকপগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, চহী খূদিংগী ইঙা থাগী হুমনি পানবা নৎত্রগা মঙানি পানবা নুমিৎকী থা য়েংদুনা লৈবাক অসিদা অৱা–অনা তারকপা মতমদা ইবুধৌগী তরা খায়োম লাক্তুনা য়াইফ– থৌনিবগী থৌরম অমনি। লইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা চৎনা কাঙলোন, লাইনিং–লাইশোন অমদি থৌগল্লোননচিংবা পূম্নমক মতম লৈবা খিবিক্তা মীরাইবা য়াদে। মৈতৈ ঐখোয়গী অমাইবা– অমাইবীশিংনা ফোঙদোরকপগী ৱাফম কয়াদা অচূম্বা য়াওখিদবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈরিবা চৎনবী খূদিংমক ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাংনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি)গী মরু ওইব লুচিংবশিং, বোর্দ অসিগী লোইশঙ ১০গী থৌ পুবা অমদি অমাইবা– অমাইবী কয়ানা শরুক য়াখি।

